**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-06-2025)**

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা কোবিদ নাইন্তিনগী কেস অমা নৌনা থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কোবিদ নাইন্তিগী এক্তিব কেস অনি শুরে।

রাজ্যগী হেলথ সাভির্সেসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঘাড়ি মখা লৈকাইদা লৈবী মশাগী চহি ৫৮ শুরবী নুপী অমসু কোবিদ নাইন্তিগী টেষ্ট তৌবা মতমদা পোজিটিব ওইবা থেংনখিবনি। হায়রিবা লৈকাই অসিদা ভারাদা লৈবী বিষ্ণুপুরদগী হৌজিকা মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা মহৈ তন্লিবী নুপীমচা অমসু থা অসিগী ৮ দা কোবিদ নাইন্তিন পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রবনি। নৌনা পোজিটিব ওইরবী নুপী অসি হায়রিবী নুপীমচা অদুনা লৈরিবা ভারাগী য়ুম অদুগী মপুনি। মহাক মশাদা লোক চেনবদগী ঙসি বাবিনা দাইগেষ্টিক্তা টেষ্ট তৌরবা মতুংদা কোবিদ নাইন্তিগী পোজিটিব রিজল্ট ফংখিবনি।

**স্কুল(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংগী মনুংদা লৈবা মহৈ তম্ফমশিং হয়েংদগী মহৌশাগুম স্কুল কাবা হৌরগনি।

হীরম অসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা চেরোশিং থোকখ্রে। চেরোলশিং অদুগী মতুং ইন্না, জিলা অনি অসিগী জোনেল এদুকেসন ওফিসারশিং, স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালশিং অমদি হেদ মাস্তরশিংনা স্কুলশিং হাংনবা খঙহল্লি।

**বিরেন(এল) ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী

মতাংদা ৱারী শান্নরুবগীদমক্তা থা অসিগী ৯ দা লুচিংবা অনি অসি ন্যু দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

পাউ খরনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং তকথোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম খরদা কুপা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা ঙসি সেক্যুরিতি চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পোৎ-চৈ থন্না য়াওবা ত্রক ৭৬ ইম্ফাল তমা থোরকখ্রে।

ত্রকশিং অসিগী মনুংদা থাউ পুবা গাড়ি ৪৪, চেং, বিলামাতি অমদি নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩২, পুন্না গাড়ি ৭৬ ইম্ফাল তমা চংল্লকখ্রে।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক  পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্কনি।

অমরোমদা, তম্পাক্কী জিলা মঙাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোকখিবা অদুদা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা কৈথেল ফমখি, দুকান থোং হাংনখি। মসিগা লোয়ননা লম্বীদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং য়াওনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌখি। কার্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈদা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

**হার (এল) ঃ** রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা থা অসিগী ১৬ তগী ২৫ ফাওবা হার য়েন্থোক্লগনি।

হার অমসুং ফৌদিশিং অদু  ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মফম তরেৎ-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা মফম তরা, বিষ্ণুপুর জিলাদা মফম ৯, জিরিবামদা অনি, ককচিংদা মফম মরি, থৌবালদা মফম তরুক, সেনাপতিদা অনি, কাংপোকপীদা অহুম, চুরাচান

দপুরদা অনি, ফেরজোল, তেংনৌপলদা অমমম, চান্দেলদা মফম অনি, উখ্রুল অমসুং কামজোংদা মফম অমমম, তমেংলোং মফম অনি অমসুং নোনেদা মফম অনিদা য়েন্থোক্কনি।

রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- লৌমীশিংনা হার লৌবা লাকপা মতমদা মশা মশাগী অধার, পট্টাগী কোপি নৎত্রগা টেনান্ট সার্টিফিকেটশিং লোয়নরক্কদবনি। জিলা জিলাশিংগী ওইনা হার য়েনফমদগী লাপা লৈবা লৌমীশিং ওইরবদি মশাগী জিলা নত্তনা অতোপ্পা জিলাশিংগী অনকপা য়েনফম অমদগী হার লৌবা য়াগনি হায়রি।

বিভাগ অসিনা লৌমীশিংদা থা অসিগী ১৩ দগী ফৌদি য়েন্থোকপা হৌরগনি। ফৌদি মখলশিং অদুদি, আর.সি.এম. টুয়েল্ভ, আর.সি.এম. থারটিন, আর.সি.এম. ফিফতিন অমসুং আর.সি.এম. সিক্সতিননি। ফৌদিশিং অদু জিলা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসারগী ওফিশিংদা য়েন্থোক্কনি। হেক্তর অমমমগী ওইনা ফৌদি কিলোগ্রাম ৬০, কিলোগ্রাম অমদা লুপা তরুক তরুক্কী চাংদা লৌবা য়াগনি হায়রি।

**এআর (এল) ঃ** লৈবাক্কী অপুনবগী শক্তম ঙাকবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অসাম রাইফলসকী জৱান অহুমবু ইকায় খুমবা উৎতুনা মখোয়গী মফমদা লৈ কৎপগী থৌরম অমা অসাম রাইফলসনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল জিলাগী খেংজোই সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা জোপীদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখিবনি। ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদসু অসিগুম্বা থৌরম অমা পাঙথোকখি।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা উখ্রুল জিলাদা লৈবা সতপাউ কম্পানি ওপরেটিং বেজতা মীয়ামগা লোয়ননা যোগগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা পুন্না

যোগ শান্নমীন্নবগী থৌরম অদু অসাম রাইফলসকা খুঞ্জাশিংগা লৈনরিবা মরীশিং হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা নহা কয়ানা শরুক য়াখি। অসাম রাইফলসকী যোগগী ওজাশিংনা নহাশিংদা হকচাং ফনা থমবগীদমক তোঙান তোঙানবা যোগগী আসনশিং তাকপী তন্বীখি।

**পিএমঃ** কেন্দ্রগী এন.দি.এ. সরকারনা চহি ১১ মপুং ফাবগা মরী লৈননা পুথোকপা আর্টিকল অমা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মীয়ামদা ফংহনখে

আর্টিকল অদু ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা ইবনি। সোসিএল মেদিয়াদা শ্রী বৈসনোনা থাগৎলকপা সরকার অসিনা চহি ১১ দা তৌখিবা থবক থৌরমশিং য়াওবা আর্টিকলশিং অদু শ্রী মোদিনা সিয়ার তৌদুনা হায়-আর্টিকলচর অদু য়ামা মনুং থিৎনা সরকারগী থবক থৌরমশিং মমুৎ তানা ইবা অমসুং সরকার অসিনা মীয়ামগীদমক তৌখিবা কয়া অদু নিংথিনা তাকপা ঙম্বা আর্টিকল অমনি। সরকার অসিনা চহি ১১ গী মনুংদা মীয়ামগীদমক তৌখিবা থবক থৌরমশিং আর্টিকল অসিদা নীংথিনা পল্লি। মসিনা জাতি অসি মাংলোমদা ইনখৎলকপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

**রেলৱেঃ** রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়রি-আই.আর.সি.টি.সিগী খুত্থাংদা রেলৱেগী টিকেৎ ককপদা অধার শুংশোই শোয়দনা য়াওগদবনি। মসি টৎকাল টিকেৎশিং ককপদা শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা ককপা য়ানবা অমসুং পেসেঞ্জরশিংগী হেন্না খুদোংচানবা রেলৱেজ মন্ত্রালয়না লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি।

টৎকাল টিকেৎ ককথোক ককশিনগী থবক থৌরমশিংদা রেলৱেজ মন্ত্রালয়না অনৌবা থৌশিল অমা হৌদোক্লে। হায়রিবা টিকেৎশিং অসি ককপদা পেসেঞ্জর অদুগী অধার নম্বর হাপকনি অমসুং পেসেঞ্জর মশাদা ও.টি.পি. লাক্কনি। টৎকাল টিকেৎ ককপদা কনাগুম্বা নৎত্রগা এজেন্টশিংনা অমক্তদা

টিকেৎ মশিং য়ামা ককশিনবনা পেসেঞ্জরশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু লৈহন্দনবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

**হিটঃ** লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা শরুক্তা কা হেন্না শাবগী সমস্যা মায়োকরে। পঞ্জাবতা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪৭.৬ অদুগা রাজস্থানদনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৪৭.৪ য়ৌরে।

ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-কা হেন্না শাবগী চাং মখা তানা হরিয়ানা, দিল্লি, হিমাচল প্রদেস, জম্মু কাশ্মির, মধ্য প্রদেস অমদি উত্তর প্রদেসতা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ হুমনি অসিদসু লৈখিগনি। মসিগী মথক্তা দিল্লি, চান্দিগর, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং রাজস্থানদা অহিংগী মতমদা কা হেন্না শাবগী চাং মায়োকগনি হায়রি।

অমরোমদা, তামিল নাদু, পুদুচেরি, কেরলা অমদি অন্ধ্র প্রদেসতা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুগনি।

**যোগঃ** ১১ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদবা শুপগী নুমিৎ ১০ নি খক্তা ঙায়শিল্লকপগা লোয়ননা যোগাগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকবা লৈবাক অসিনা শেম শাবা লোয়রে। হৌজিকসু লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা যোগাগী থবক থৌরমশিং নীংথিনা পায়খৎলি।

অকাশবানী পাউমীনা হায়-লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ১১ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম পাঙথোকবা অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

উত্তরাখন্দদা অহানবা ওইনা যোগাগী থৌরম রাজ্য শিনবা থুংবদা হাংদোক্লিবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদসু পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক রাজ্যগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-রেখা অরিয়ানা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী ৱাকর অমসুং হেল্পরশিংদা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।

ফিট ইন্দিয়া ফিট উত্তরাখন্দ মীসনগী মখাদা রাজ্য অদুগী য়াল্লবা নুপীশিংবু মালেমগী যোগ নুমিৎতা পাক শন্না শরুক য়ানবা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

**স্পেচঃ** ভারতকী এষ্ট্রেনোথ শুবানসু শুক্লা য়াওনা মীওই মরিনা শাবা একজোম ফোর স্পেচ মিসন ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিত ৩০ তাবা মতমদা য়ু.এস.এগী কেনেদি স্পেচ সেন্তরদগী থাগৎকনি তৌরম্বা অদু ওক্সিজেন লিক ওইরকপদগী অমুক হন্না য়েথোকখ্রে। ইন্দিয়ন স্পেছ রিসর্চ ওর্গনাইজেসন(ইসরো)গী চেয়রমেন ডা.ভি.নরায়াননননা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-স্পেস মিসন অসি থাগৎপগী মতম হঞ্জিন হঞ্জিন য়েথোরকপা অসি মখা তানা থোক্তনবা লৈরিবা অশোইবশিং মপুং ফানা য়েংশিল্লবা মতুংদা থাগৎপগী মতম লেপকনি। এষ্ট্রোনোথ শুবানসু শুক্লানা মিসন অসিগী পাইলোত ওইরি। মিসন অসিদা আমেরিকা, পোলেন্দ অমসুং হেঙ্গেরিগী এষ্ট্রোনোথ অমমম য়াওরি।

একজোম স্পেচ মিসন অসিদা এষ্ট্রোনোথ মরি অসি ইন্তরনেসনেল স্পেচ ষ্টেসনদা নুমিৎ ১৪ নি লো আর্থ ওর্বিৎতা লৈগনি। মখোয়না ইসরোগী তোঙান তোঙানবা রিছার্স প্রোজেক্ট য়াওনা মীওইবগী হকশেল, পৃথিবীগী মরমদা থিজিন হুমজিনবা য়াওনা অতৈ হিরম কয়াদা লৈবাক ৩১ গী ওইবা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থগনি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স অমসুং উত্তর প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রিনা গ্রুপ কেপটেন-সুভানসু সুক্লাগীদমক য়াইফ মাঙ্গোল পীখ্রে। চীফ ওফ দ হয়ার ষ্টাফ অমসুং ইয়ার ৱারিয়ার পুমমকা পীবা য়াইফ পাউজেলনা হায়-একজোম ফোরগী ক্রু মেম্বর পুমমক অশোয় অঙাম য়াওদনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা য়ৌবা ওইরসনু। খোঙচৎ অসিনা ভারতকী স্পেসকী ইতিহাসতা অনৌবা তাঙ্কক অমা ওইরগনি।

**ফুটবোলঃ** ব্রাজিল অমসুং ইক্কেদোর, ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ গী ক্বালিফাই ওইরে।

ঙরাং নিয়ো কুইমিকা এরিনাদা শান্নখিবা ক্বালিফাইয়িং মেটচতা ব্রাজিলনা পেরাগুয়েবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

অমরোমদা, ইক্কেদোরনা পেরুগা শান্নখিবা ক্বালিফাইয়িং মেটচতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি। অদুমওইনমক, ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই তৌখি। পেরুগী ওইনা হন্দক্কী অসি থারগা ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই তৌবা মঙারক শুবনি।

**ফুটবোলঃ** এ.এফ.সি. এসিয়ান কপ ক্বালিফাইয়র মেটচ অমদা ঙরাং হোং-কোংনা ভারতপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। মসিগা লোয়ননা ইং ২০২৭ সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান কপতা ভারত ক্বালিফাই তৌবগী চাং নেমা লৈরি।

**রেসঃ** ভারতকী রেস ৱাক্কর-প্রিয়াঙ্কা গোশ্বামী ওষ্ট্রেয়ন রেস ৱাক্কিং চেম্পিয়নসিপ্তা সনাগী তকমান লৌরে। মহাকা কিলোমিটর ১০ শাংবা লমজেল অদু মিনিট ৪৭ কা সেকেন্দ ৫৪ গী মনুংদা য়ৌবা ঙমখি।